# বিহার রেপশিংগী মতাংদা রিপোর্ট থাগৎলক্তবগীদমক পাটনা হায় কোর্টনা সি বি আই বু তকখৎখ্রে




***পাত্না, আগষ্ট ২৩ ঃ***

বিহারগী মুজাফরপুর সেল্টর হোমদা লৈবা নুপীমচাশিংবু রেপ তৌখিবগী মতাংদা চৎখিবা থিজিনবগী থবক অদুগী প্রোগ্রেস রিপোর্ট অমা থাগৎলক্তবগীদমক পাটনা হায় কোর্টনা ঙসি সি বি আই বু তকখৎখ্রে অমসুং ইভেষ্টিগেসন টিম অদুদা য়াওরিবা সেনিয়ার পুলিস ওফিসারবু করি মরমগী ত্রান্সফর তৌখিবনো হায়বদু খঙবা পাম্মী হায়নসু সি বি আই দা হায়খ্রে।

চীফ জষ্টিস মুকেশ আর শাহ অমসুং জষ্টিস রবি রঞ্জননা শাবা দিভিজন বেঞ্চ অমনা আগষ্ট ২৭ তা মথংগী হিয়ারিং ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী পাউখুম থাগৎলক্লবা সি বি আই দা খঙহনখি অমসুং মদু সিল্ড কোভর অমদা হাপ্লগা কোর্টসিগী মমাঙদা থন্নগদবনি হায়খি।

পাটনা হায় কোর্টনা আগষ্ট ৬ তা পীখিবা মমাঙগী ওর্দর অমদা কোর্ট অসিনা পুলিস ওফিসার অদুদা অমসুং সি বি আইদা উকিল অমগী খুত্থাংদা কোর্ট অসিগী মমাঙদা লাক্লবা অমসুং থিজিনবগী থবক অদুগী খুমাঙ চাওশিনবগী রিপোর্ট অমা থাগৎলক্লবা খঙহনখিবনি।

মুজাফরপুর সেল্টর হোমদা থোকখিবা নুপীমচা ময়ামবু পাক্তক্লনা থা কয়া রেপ তৌখিবা অচৌবা ৱাথোক অদুগী থিজিনবদা য়াওরিবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জে পি মিশ্রাবু স্পিসিয়েল ক্রাইম ব্রাঞ্চতগী থাংদোকখি অদুগা আগষ্ট ২১ দা সি বি আই হেদমক্কার্টরসনা তৌখিবা ওর্দর অমগী খুত্থাংদা মহাকপু পাটনাদা দি আই জি ওফিসতা এটেষ্ট তৌখি।

কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেতিং ওফিসার ওইরিবা মিষ্টর মিশ্রাবু ট্রান্সফর তৌখিবগী মরম অদু শন্দোক্লা তাক্লবা ইভেষ্টিগেতিং এজেন্সি অসিদা কোর্টনা য়াথং পীখি।

মুজাফরপুরদা লৈবা নুপীমচাশিংগীদমক লীংখৎপা গভর্ণমেন্টনা ফন্দ পীবা সেল্টর হোম অদুদা থোকখিবা ৱাথোক অদুগী মতাংদা বিহার গভর্ণমেন্টনা হায়জরকপদগী পাটনা হায় কোর্টনা থিজিনবগী থবক অদু মোনিতরনা তৌরকখিবনি।

ইনভেষ্টিগেসন অদুগী ৱারোলশিং মতাং চাদনা মীয়ামদা খঙহল্লকখিবা অদুগী মতাংদসু কোর্ট অসিনা পেন্দবা ফোঙদোকখি অমসুং ইনভেষ্টিগেসনগী অচুম্বা অকূপ্পা ৱারোলশিং অদু ফোঙদোকপনা চৎখরিবা ইনভেষ্টিগেসন অদু শোকহল্লকপা য়াবনা অকূপ্পা মরোলশিং অদু পাউচেনচিংদা ফোঙদনবা মেদিয়াদা খঙহনখি।

মুজাফরপুর সেল্টর হোমদা নুপীমচা ৩৪ বু মতম কয়া অমা রেপ তৌখিবগী থৌদোক অদু মুম্বাইদা লৈবা টাটা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল সাইন্সেসনা চৎখবা সোসিয়েল ওদিট অমগী মতূংদা খঙনরকখিবনি।

বিহার সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপাটমেন্টনা থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎখ্রে অমসুং সেল্টর হোম অদুনা চল্লাইবা এন জি ও গী মপু ওইরিবা, ৱাথোক অসিগী মরু ওইবা এক্যুজ ব্রজেশ ঠাকুর য়াওনা মীওই ১০ ফাখ্রে।

ৱাথোক অসিগী মায়োক্তা নাকল পূক্নমক্তগী য়ানিংদবগী খোল্লাও লাওনরকপদগী বিহারগী নিতিশ কুমার গভর্ণমেন্টনা থা অমগী মমাঙদা থিজিনবগী থবক অদু সি বি আইদা শীন্নখি।

মমাঙগী হিয়ারিংদা সি বি আই না থিজিনবা অদু মোনিতর তৌনবা গভর্ণমেন্টনা হায় কোর্টতা হায়জখি অমসুং ৱায়েল থুজিন্না চৎনবা স্পিসিয়েল জজ অমা হাপ্নবা খন্নবিনবসু হায়জখি। ৱাফম অনীমক অদু হায় কোর্টনসু য়াখি।

# ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী লান্মীশিং অহানবা ওইনা এস সি ও মিলিটরি ড্রিলদা শরুক য়াখ্রে

***বৈজিং। মোস্কো, আগষ্ট ২৩ ঃ***

টেরোরিজম অমসুং এক্সট্রিমিজমগী হেনগৎলক্লিবা নুংনাংবা অসি থেংননবা মেম্বর লৈবাকশিংগী মনুংদা তেংবাঙনবা পাকথোক–চাওথোকহন্নবগী পান্দমদা রসিয়াদা পাঙথোক্লিবা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) গী অচৌবা এন্টি–টেরর ড্রিল অমদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মিলিটরিশিংনা শরুক য়াখ্রে।

জুন ২০১৭ দা এস সি ও গী মপূং ফাবা মেম্বর অমা ওইরকখিবা মতূংদগী ইন্দিয়ানা অসিগুম্বা মিলিটরি ড্রিল অসিদা শরুক য়াবা অহানবনি।

এস সি ও গী থবকশিংগী শরুক অমা ওইনা এস সি ও মেম্বর ষ্টেটশিংগীদমক চহী ২ গী ওইনা এস সি ও পিছ মিসন এক্সর্সাইজ পাঙথোকই।

সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) গী মেম্বর লৈবাকশিংগী মিলিটেন্টশিংগী অপুনবা এক্সর্সাইজ অসি রসিয়াগী চেবারকুলদা আগষ্ট ২২ দগী আগষ্ট ২৯ ফাওবা সেন্ত্রেল মিলিটরি কম্মিসন ওফ রসিয়ানা কন্দক তৌরি।

মিলিটরি ড্রিল অসিদা এস সি ও চার্টরগী মখাদা ইন্টর্নেস্নেল কাউন্তর ইন্সর্জেন্সি নৎত্রগা কাউন্তর টেরোরিজমগী ইনভাইরোনমেন্ট অমদা টেক্তিকেল লেভেল ওপরেসনশিং য়াওরি।

চিনা, রসিয়া, কাজখষ্টান, তাজিকিষ্টান, কিরজিষ্টান, ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানদগী য়ামদ্রবদা লান্মী ৩,০০০ না মিলিটরি ড্রিল অসিদা শরুক য়ারি হায়না চাইনিজ মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

উজবকিষ্টানদগী মীহুৎ ১০ না ড্রিল অসিদা ওবজার্ভরশিং ওইগনি হায়না চিনাগী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা 'গ্লোবেল তাইমস' কী পাউনা হায়রি।

জোইন্ট মিলিটরি ড্রিল অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়ান কন্টিনজেন্ট অদু ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকা লোয়ননা ইনফেন্ট্রি অমসুং মসিগা মরী লৈনবা খূৎলাই পায়বশিং অমসুং সার্ভিসশিংদগী ট্রুপশিংনা মরু ওইনা শাবা পার্সোন্নেল ২০০ য়াওরি।

চাইনিজ একাদেমি ওফ সোসিয়েল সাইন্সেসদা প্রোফেসার ওইবা সুন ঝুৱাংজিনা ফোঙদোরকপদা পিছ মিসন ২০১৮ অসিনা এস সি ও লৈবাকশিংগী, মরু ওইনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা মিলিটরি অমসুং পোলিটিকেলগী অমগা অমগা থাজনবা চাওনা হেনগৎহল্লগনি হায়রি।

মিলিটরি কনফ্লিক্টতা মতম শাংনদগী মায়োক্নদুনা লাক্লবা পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়াগীদমক্তি মসি তাঙলবা খুদোংচাবা তাঞ্জা অমনি। মসিনা রিজনেলগী ওইবা ইং–তপ্পগী ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি হায়না প্রোফেসারনা মখা তাখি।

পিছ মিসন ২০১৮ অসিনা চিনা, রসিয়া, পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়া–য়ুরেসিয়াদা অচৌবা মিলিটরি পৱার ৪ অসিগীদমক মিলিটরি ড্রিল অমখক্তদা পূন্না শরুক য়ামিন্নবগী ইতিহাসিক ওইরবা তাঞ্জা অমসু ফংহল্লে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।



## GAS TODAY

**Imphal LPG**
Booking : 24/07/18
Valid : 04/06/18
Sl. No. 22157
Stk : 306

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 27/06/18
Valid : 25/06/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 28/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khongnang Gas**
**Bisnupur and Ningthoukhong**
Booking : 13/07/18
Valid : 12/07/18
Sl. No. 7538
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 25/06/18
Valid : 23/06/18
Stk : 306
Sl. No. 3521 to 4050
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 11/07/18
Valid : 05/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**B D Gas Chandel**
Booking : 23/07/18
Valid : 26/06/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 12.00

**Khumbong Indane**
Booking : 25/07/18
Sl. No. 201 to 470
Stk : 270
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 23/06/18
Valid : 12/06/18
Stk : 918
Time : 06.00 to 10.00 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 10/07/18
Valid : 09/07/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 06/07/18
Valid : 05/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

# বাজপায়ী গী শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিং রাজস্থানগী স্কুল টেক্সবুকশিংদা য়াওহল্লগনি ঃ *রাজস্থান মিনিষ্টর*

***জয়পুর, আগষ্ট ২৩ ঃ***

অতল বিহারি বাজপায়ীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ গভর্ণমেন্ট মতমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থকশিং তৌরম্বা অদু মথং একাদেমিক সেসন্দগী রাজস্থানদা স্কুল টেক্সবুশিংদা য়াওহল্লগনি হায়না ষ্টেট এদুকেসন মিনিষ্টর বসুদেব দেবনানিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

য়াওহনগদবা মচাকশিং য়েংশিনবগী থবক হৌনবা অমসুং মচাকশিং অদু স্কুল টেক্সবুকশিংদা য়াওহন্নবা আজমেরদা লৈবা রাজস্থান বোর্দ ওপ সেকেন্দরি এদুকেসন্দা এদুকেসন মিনিষ্টরনা চে ইখ্রে।

হান্নগী প্রাইম মনিষ্টর অতল বিহারি বাজপায়ীগী মতমদা অচৌবা অওনবা পুরকখিবা অমসুং থবকশিং স্কুল টেক্সবপুকশিংদা য়াওহন্দুনা খঙহনগনি। থবকশিং অদু পাঙথোক্লবগী থবক হৌনবা ঐনা বোর্দ অদুদা পাউতাক পীখ্রে হায়না মিষ্টর দেবনানিনা হায়খি।

পাকিষ্টানগা শোক্লবা কার্গিল লান মনুংদা, রাজস্থানগী জয়সলমেরগী পোখ্রানদা ন্যুক্লিয়ার টেষ্টশিং পাঙথোকখিবা অদুগা সর্ব সিক্সা অবিয়ান, প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সরক যোজনা লুচিংবা লৈবাক অসিবু চাওখৎপগী লম্বীদা পুখৎখিবা মহাক্কী অচৌবা অমসুং ঈথিল পীবা ঙম্বা লীদরসিপ অদুগী মরমদা মহৈরোইশিংনা শোয়দনমক খঙগদবনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

মিনিষ্টরগী পাউতাকশিং অদুআগষ্ট ১৮ দা পীখিবনি অমসুং থবক অদু এক্সপার্টশিংগী কম্মিটি অমনা পাঙথোক্কনি।

আগষ্ট ১৬ তা লৈখিদবা বাজপায়ীগী অচৌবা থবকশিং অদু স্কুল টেক্সবুকশিংদা য়াওহনবতা নত্তনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লাইব্রেরি খরদা মহাক্কী পুন্সি ৱারীসু ফংহন্নবা মিনিষ্টর অসিনা খল্লি।

রাজস্থান্দা স্কুল কারিকুলমদা অহোংবা কয়ামরুম লৈখ্রে অমসুং হৌখিবা চহী ৪ দা রাজপুত নিংথৌ মহারানা প্রতাপ য়াওনা শক্লাইরবা মীওই কয়াগী ৱারীশিং হাপচিনখ্রে।



# অনৌবা ইঞ্জিন পানশিনবগা লোয়ননা রসিয়ানা এস য়ু–৫৭ ষ্টিল্থ জেট প্রোজেক্টতা ইন্দিয়া য়াওহন্নবা হোৎনগদৌরি

***মোস্কো, আগষ্ট ২৩ ঃ***

ইন্দিয়ানা হান্না শরুক য়ানবা খন্নরম্বদগী তোকখিবা এস য়ু–৫৭ প্রোজেক্ট অদুগী ষ্টিল্থ কেপাবিলিটিশিং অদু হেন্না কনখৎহন্নবা টেক্নোলোজি অমা হাপচিল্লগনি হায়না মকোক থোংবা রসিয়ান দিফেন্স ফার্ম অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা এয়ারক্রাফ্‌ট ইঞ্জিন মেকর, য়ুনাইটেদ ইঞ্জিন কোর্পোরেসন্না এস য়ু–৫৭ ষ্টেল্থ ফাইটর প্রোজেক্ট অদুদা সুপর ক্রুজ কেপাবিলিটি অমা হাপচিল্লগনি হায়খি।

সুপর ক্রুজ হায়বসি ষ্টেল্থ এয়ারক্রাফ্ট অমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মথৌ তাবা অমনি। এস য়ু–৫৭ তা অনৌবা মচাক হাপচিন্দুনা শাগদবা অনৌবা এয়ারক্রাফ্ট অমা পুথোক্কদৌরিবা রসিয়াগা পুন্না পাঙথোকমিন্নগদৌরিবা ফিফ্‌ট জেনরেসন ফাইতর এয়ারক্রাফ্ট (এফ জি এফ এ) প্রোজেক্টতা শরুক য়াগদবদগী ইন্দিয়ানা তোকখিবগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমদি সুপর ক্রুজ কেপাবিলিটি হাপচিনবগী থবক থেংথবগীনি হায়রি।




প্লেন অসি হান্না পি এ কে–এফ এ ওইরম্মী। সুপর ক্রুজ হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তি অফ্টরবর্নরস য়াওদনা সুপরসোনিক স্পীদতা পাইনবগী তৌবা ঙম্বা শক্তি অদুনি। মসিদা য়াম্না চাওনা ফুয়েল কনবা ঙম্বতা নত্তনা মৈশা পীথোকপসু চাং নেম্মী হায়না য়ুনাইটেদ ইঞ্জিন কোর্পোরেসন (য়ু ই সি) গী মাকেটিং হেদ এন্টন চেচুকোবনা হায়খি।

কম্পেনি মনুংগী ওইনা ইজদেলি–৩০ হায়না খঙনবা সেকেন্দ–ষ্টেজ ইঞ্জিন অদু এস য়ু–৫৭ ফাইটর জেট অমগী মথক্তা দিসেম্বর ২০১৭ দা মদুগী অহানবা টেষ্ট ফ্লাইট পাঙথোকখ্রে অমসুং মখা তানা মসিদগী হেন্না ফগৎনবা থবক চৎখরি হায়না মিষ্টর চেচুকোবনা হায়খি।

প্রোজেক্ট অসি অরোনবা ওইনা ক্লাসিফাই তৌবা মরমনা মসিগী দিভলপমেন্ট সেদুলগী ৱারোলশিং নৎত্রগনা টেক্নিকেল ইনফোর্মেসন অদু মহাক্লা ফোঙদোকউ য়াখিদে।

য়ুনাইটেদ এয়ারক্রাফ্‌ট কোর্পোরেসন অমসুং রোসোবোরোনেক্সপোর্ট কৌবা রসিয়ান আর্মস এক্সপোর্ট এজেন্সিদা লৈবা লীখুনশিংনা তোঙান তোঙান্না ফোঙদোকখিবদা ফাইটর প্রোগ্রাম অসি তোকপা লৈতে অমসুং ইঞ্জিন অমসুং অতৈ ইন্দিয়ানা পাম্লিবা টেক্নোলোজিশিং অদু এক্সপোর্টকীদমক থৌরাং তৌরবা মতমদা রসিয়ানা মদু ন্যু দিল্লিদা পুথোক্কনি হায়খি।

# শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট কুলদিপ নায়র লৈখিদ্রে



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৩ ঃ***

শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট, অইবা অমসুং হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট কুলদিপ নায়র ঙসি শগোলশেন নুমিত্তা দিল্লিদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৯৫ শুখ্রে। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপা ২ লৈহৌরি।

রাজ্য সভাগী এম পি অমসু ওইরম্বা, *দ ইন্দিয়ান এক্সপ্রেস* কী এদিটর ওইরম্বা কুলদিপ নায়রনা প্রেসকী নীংতম্বগীদমক, মরু ওইনা ইন্দিরা গান্ধীনা চল্লাইখিবা ইমর্জেন্সি মনুংদা অকনবা মওংদা থেংনখি।

জর্নেলিজমদা মহাক্লা তৌখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিংগীদমক মহাকপু ২০১৫ দা রামনাথ গোয়েনকা লাইফতাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

'বিয়োন্দ দ লাইন্স', 'ইন্দিয়া অফ্টর নেহরু' অমসুং 'ইমর্জেন্সি রিতোল্ড' কৌবা লাইরিকশিং অসি য়াওনা মহাক্লা লাইরিক ১৫ ইরমখি।

কুমজা ১৯৯০ গী চহীশিংদা কুলদিপ নায়রনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ইন্দিয়াগী হায় কম্মিস্নার ওইখি। কুমজা ১৯৯৭ তা রাজ্য সভাদা মহাকপু নোমিনেট তৌখি।

কুলদিপ নায়র হৌজিক্তি পাকিষ্টান মনুং চনখ্রবা সিয়ালকোটতা ১৯২৩ দা পোকখি। লোদা গ্রেজুয়েট লোইশিনখি। জর্নেলিজম তম্নগা 'অঞ্জাম' কৌবা উর্দু লোনগী পাউচে অমদা য়াওরগা মাগী জর্নেলিজমগী শিনফম হৌরকখি। মদুগী মতূংদা কোন্না দিল্লিদা মহাক্লা পাউচে কয়ামরুমগী মকোক ওইরকখি। মহাক লৈবাক মীয়াম্না পাক শন্না খঙনরবা কলমনিষ্ট অমা ওইখি অমসুং মালেমগী অতৈ মফমদা লৈরিবা পাউচেশিংগীদমকসু ইখি।

মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা লৈবাক অসিদা থমজিনখিবা ইমর্জেন্সি অদুগী মায়োক্তা কন্না য়েৎখিবা জর্নেলিষ্টশিং অদুগী মনুংদা কুলদিপ নায়রসু অমনি।

ইমর্জেন্সি অদুগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী কা–হেনবা নিটিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট অমা লুচিংবগীদমক মহাকপু মেন্টেনেন্স ওফ ইন্টর্নেল সেক্যুরিটি এক্ট (এম আই এস এ) গী মখাদা ফাদুনা জেলদা থমখি।

মথৌনা ফবা জর্নেলিষ্ট অসিনা লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, পি জে পি প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা লুচিংবা মীওই কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# কেরলা ঈচাওগী অৱাবদা তেংবাঙনবগীদমকদমক য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোসতা য়ুরো ১৯০,০০০ পীরকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৩ ঃ***

ঈচাওনা মাঙ তাকহল্লবা কেরলাদা খুদক্কী ওইবা তেংবাঙ পীনবগী য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন (ই য়ু) না অহানবগী ওইনা য়ুরো ১৯০,০০০ ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটিদা পীরকখ্রে।

কেরলাগী চাউরবা মফম থুংনা থুমখ্রবা শাথিরবা ঈচাও অদুগী পাউখুমদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা খুদককী অৱা–তেংবাঙগীদমক ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটিতদা শৌগৎনবা হ্যুমেনিতরিয়ান এইদ ফন্দিং ওইনা য়ুরো ১৯০,০০০ গী অহানবা শেনফম অমা ই য়ু না খাক্লে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা ই য়ু না হায়খি।

তেংবাঙ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোক্লবা মফম খরদা খ্বাইদগী অৱাবা তারবা মীওইশিংগী মরক্তগী মীওই ২৫,০০০ হকথেংননা কান্নবা পীগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

কুমজা ১৯২৪ গী মতূংদগী হৌজিক ফাওবগী মদুংদা কেরলাদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা ঈচাও অসিনা থা অসিদা মীওই লীশিং কয়া ময়ূম থাদোকহল্লকখ্রে। মে ২৯ দগী হৌনা চুরকখিবা নোং অদুনা মী ৩৩৭০ রোমগী পুন্সি মাঙহনখ্রে।

ইরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ফোঙদোকপদা মখোয়না পীরিবা শেনগী তেংবাঙ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তারবা তেংবাঙ ফংগনি। লৈফম লৈত্রবা মীয়ামদা মথৌ তাবা সেল্টর অমসুং তার্পুলিনশিং অমসুং কিচন সেটশিং য়াওনা ইমুংগী শীজিন্নবা পোৎশিং য়েন্থোক্কনি হায়খি।

ঈশিং ঈচাওশিংনা থোকখ্রবা মতূংদা মেলরিয়া, চিকুগুনিয়া, দেঙ্গীগুম্বা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং অয়াম্বদা শন্দোরকপা য়াবনা কাঙদগী কন্নবা কাঙখনশিংসু পীগনি অদুগা লায়না–তিননা মাঙজৌননা থিংনবা থবকশিং অমসুং নাদ–য়েক্তনবা লুনা–নান্না লৈনবগী হকশেনগী থবকশিংসু পায়খৎকনি হায়না য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়খি।

পূন্নমক অসিগী মথক্তা খ্বাইদগী হেন্না অসিগুম্বা লায়না তারকপা য়াবা মীয়ামদা অখন্নবা পূক্নীং চঙগনি হায়খি।

কেরলাগী ঈচাওগী অৱাবা তারবশিংদা খুদক্কী তেংবাঙ ওইনা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোসতা পীরিবা ফন্দিং অসি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ইন্টর্নেস্নল ফেদরেসন ওফ রেদ ক্রোস অমসুং রেদ ক্রেসেন্ট সোসাইটিজ (আই এফ আর সি) গী দিজাষ্টর রিলিফ ইমর্জেন্সি ফন্দ (দি আর ই এফ) দা পীবা কন্ত্রিব্যুসনগী শরুক অমনি।

অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা শাথিবা ঈচাও মায়োক্লরবা কেরলাগীদমক য়ু এস কী হষ্টনদা লৈবা কেরলাদগী হৌখিবা মীওইশিংগী এন জি ও শিংনা মখোয়গী ঙমজবা শেনফম মতেঙ পাঙলকখ্রবনি।



সনা–সুদোকু –১২৬৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 7 | 4 | 8 | 2 | 9 | 6 | 3 |
| 3 | 6 | 4 | 1 | 7 | 9 | 2 | 8 | 5 |
| 2 | 8 | 9 | 5 | 6 | 3 | 1 | 4 | 7 |
| 1 | 3 | 6 | 7 | 4 | 8 | 5 | 9 | 2 |
| 4 | 9 | 5 | 2 | 3 | 1 | 6 | 7 | 8 |
| 7 | 2 | 8 | 9 | 5 | 6 | 3 | 1 | 4 |
| 6 | 4 | 2 | 3 | 9 | 7 | 8 | 5 | 1 |
| 9 | 7 | 3 | 8 | 1 | 5 | 4 | 2 | 6 |
| 8 | 5 | 1 | 6 | 2 | 4 | 7 | 3 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1270**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | | | 4 | | | |
| | | | 2 | 7 | | 1 | | 6 |
| | | 9 | 6 | | | | | |
| | 1 | | | | | | 7 | |
| | | | 3 | 9 | | | 2 | 8 |
| | 2 | 3 | | | 7 | | 4 | |
| | | 5 | | 8 | | | | |
| | | | | | | 3 | | |
| | 4 | | | | 6 | 2 | 8 | 9 |